# ঐখোয়গী পাউরৌশিং খুন্নাইসিগী মিংশেল নত্তে করম হায়গনি?

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

ঐখোয়গী পাউরৌ কয়াদি খুন্নাই অসিগী মিংশেলনি হায়বমকসু য়াই। ঐখোয়না প্রাইমারি থাক্তা তন্লিঙৈ খূৎই লাইরিক ইবা হায়বসি তৌদবা য়াদবা অমা ওইরম্মী। লমায় খুদিংমক্তা য়াওরিবা ময়েক লাফাত্তবা ৱাহৈ পরেংশিংদুগী মথক্তা ঐখোয়না অমুক পেন্সিলনা ময়েকশিংদুদা হঞ্জিন্দুনা ইবনি। মদু হোমৱর্ক ওইনা অদুম পী। ঐখোয়নসু মদুদা থৱায় য়াম্না তাজখি। মরম অনীদনি অহানবা মরমদি পেন্সিলনা ইবা ফংজবদুগীনি। মতমদুদা ক্লাস টু (মতমদুগী ওইনা মঙাশুবা হায়রগা খঙনৈ) ফাওবদি কলম কয়া শীজিন্নদে। সিলেট কাঙগ্রুদা অদুম নৈশিল্লগা লৈবীনি। শিংকাপ মচিন্দু মূক্তা লূপ্লগা ইখিবগুম্নদি তৌই। অতোপ্পা মরম্না স্কুলদা চীনফা থীহল্লক্কনি হায়বগী নুংনাংবদু লৈহন্দে। অদুবু তোয়মন্না ইবনরা অয়াম্বদি চীনফা পুখি, হৌজিক ফাওবা খূৎই লাইরিক্কুগী মশক মওংদু মীত্তা অদুম উরি, নুংশিবনা। মনুংদা য়াওবা ৱাহৈ পরেং অয়াম্বা চীনফা অদুম পুরি হায়বা য়াই।

তশেংবগীদি খূৎই ফজনা চুম্না ইনবনি খনখি। অদুবু কান্নরবা পাউতাক ঙাক্তমক ওইরম্মী। কান্নবৈ চাংদি ঐখোয়না ইবদু পঙই ইবা পঙখোৎ খোৎপা নত্তবজাৎনি। ইমানা ফনা ফূরসু, চৈরসু ঙাইহাক্তি শাউরম্বা য়াই অদুবু *নমা নপাদি মীৎনা উবা লাইনি* হায়বা খূই লাইরিক্কী ৱাহৈ পরেংদু নীংশিংলগা মখোয়না হায়বা শুংইন ইল্লোই হায়না খল্লম্বা ৱাখলদু হেক্তমক মাঙখি। মখোয়না হায়বা ইল্লগে হায়না অদুম হেক্তমক খনখিবনি। মদুদগীসু হেন্দোক্তুনা ঐখোয়গী পূন্সি মহিং, চৎন-লোনচৎ, থাজবী, থৌচৎ থৌশুশিংগা শাগোন্নরিবা পাউরৌশিং ওইরল্লে। মতম অমদা মরাং কায়না শীজিন্নরম্বা হৌজিক্কী মীরোলনদি উবা খঙবা ঙমগনি থাজদ্রবা পোৎলম কয়াগী মমিং অমদি মখোয়গী শীজিন্নফম্বু চীংথোকহল্লিবা পাউরৌ ময়াম অমসু য়াওরি।

ময়াম মরক্তুদগী পাউরৌ অমা অনীদং খনগৎচবনি। *অৱাবা শঙবায় নুংঙাইবা লাইতং* ঐখোয়গীনি হায়না তশেং তশেংলবা পাউরৌনি, অতোপ্পা কনাদগীসু পুরু লৌশিল্লুবা নত্তে হায়না তাক্লিবা মমল য়াম্লবা পাউরৌনি। য়াম্না মরু ওইরবা নুংলোন অমসু য়াওরি। তাইবঙ মী ওইনা পোক্লবদা অৱা-অনাগী চৈথেং ফংদবা কনাবু য়াওরমদগে? পূন্সি লানফমদা লান্মী ওইরিবা মীওইবা ঙাক্লি। ঐদি ৱারে, মাদি নুংঙাইনা লৈ হায়না পূক্নিং হন্থবদি অচুম্বা ওইরোই। মদুদনি অহল-লমনশিংনা পাউরৌ অসিবু ঐখোয়গী ৱাখল লৌশিং ওইজরসনু হায়না থন্বীরল্লিবনি হায়নীংই। নুংঙাইবদগী অৱাবনা হেনবা মীওইপোক্লি হায়বসিবু করিদা লাল্লি হায়দোইনো? মশামরোমদোমগী নৎত্রগসু মচা-মশু, মরী-মতা, লৈবাক-খুন্নাইগী ওইরবসু অৱাবা থৌদোক ৱাথোক্লা অদুম হেন্দুনতা লৈরদোইনি। খুদম হায়ববু কুমজা ২০২০দগী ঙসি ফাওবদা ঐখোয়বু কয়াম নুংঙাইরিবগে? অদুবু পাউরৌসিনদি হায়রিবগুম তৌই মদুদি অৱাবা খুদোংথীবগী পঞ্জাও কয়ানা থত্তুনা থল্লিবা মীওইবগী পূন্সি খোঙচৎনি। মরম অদুনা খোঙথাং হৈনা চেকশিন্না থাংদুনা পঞ্জাও কয়াদু নমখায়রম্লগা পজেং ফিরাল থেৎনবা হোৎনৌ হায়না।

মসিনা তোঙানবা ৱাফম অমা ওইখ্রগা অসিগুম্লবা মীওইবগী পূন্সি খোঙচৎতা থেংনরিবা কয়া অসিবু ঐখোয়গী ইপোৎ ইরনওইরিবা থুমোকশিং - শঙবায়, লাইতংদা পাদম লাক্তুনা থন্বীরম্বসিদি শীংথাদবা ঙম্লরোই। মতম অমদা ফৌ তাইথোক-তাইশিন অমদি ৱান্থোক-ৱানশিন তৌবদা শঙবায়, লীখায়, লাইতং হায়রিবা থুমোকশিং অসিনা চোই চাং ওন্নরল্লিবনি। শঙবায় অমদা ফৌ কিলোগ্রাম কুন্থ্রাদগী কুন্থ্রাহুমদোই ফাওবগী চাংদি চল্লি। মসি শঙবায়দু চাউবা পীকপদা খজিক খরাক খেন্নবা, উতোংনা ফৌমায় খেৎপদা খরা হেন্না নৎত্রগা তানা খেৎপা অমদি ফৌ মরূ হকপা হক্তবগীসু মখা পোল্লি। লাইতং অনীনা লীখায় অমা, লীখায় অনীনা শঙবায় অমা সুম্না চৎনরম্মী। নীংশিংলুবদা পি তারক্কেবু তৌই, মতম অমগী ইমা ইবেনশিংনা ফৌ নৎত্রগা চেঙ শঙবায় নৎত্রগা লুথোংদা পিক থন্না হাপচিল্লগা কোক্তা কোকথোং পুদুনা কৈথেলদা তাইবা চৎপদো! ইশম শম্না লমদমসিগী ইমা ইবেনশিংগী তৎন-থানবা য়াদনা লাকখ্রবা শঙবায় লাইতংবু পাউরৌগী মচাক ওইহন্দুনা য়ূমগী থৌয়াম পুবদা অৱা-হুইজোং লাংলবসু ৱায় কৌবদা শোনখিদবী অখাঙকনবী ইমাশিংদা থৌনা হাপখিবা পাউজেল পাউরৌনি।

***চাইরেন চফূ কায়নবা য়ৈব্রা ?*** ককচীংদগী খা নোংচুপ ওইরপ্না কিলোমিটর কুনলোম চৎলগা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা চাইরেন খুলনি। লৈবাক্কী চফূ শাবনা খুল অসিগী খুঞ্জাশিংগী মরু ওইবা শিনফম ওইরম্মীঅমদি খুল অসিদা শাবা চফূশিং অদু য়াম্না ফজবা, অশোয়-অঙাম য়াওদবা, শীজিন্নবদা নুংঙাইবা চফূ ওইখি হায়বসি পাউরৌ অসিনা ময়েক শেংনা তাক্লি। অপেৎপা লৈখোমগী মতৌগুম্লবা অঙাং অমবু অফবা লন্বীদা পুননবা নাউয়োক নাউকোনবা হায়বসি তরাই তরাইবা থবক নত্তে। অমুক্লা থেমনৌনা, অমুক্লা খূবাক্লা শেৎ-শাৎ থাদুনা ৱারক ৱাতেমদবা য়াদবা মতাংসু লাকই। চাইরেনগী খুঞ্জাশিংনা মওং-মরীল তাবা চফূ অমা ওইরক্লবা হোৎনবদা মদুগীদমক অতম্নবা শেমদুনা থল্লবা চৈ অমনা পঙকনসু কন্দনা চাং অমদা কক-কক য়ৈদুনা অদুক্কী মতিক চেকশিন্না হেৎনরম্মী হায়বদু তাকপনি। মতৌ অসুম্না মমা-মপা ওইবশিংনসু হৈনা শিংনা চেকশিন্না লোয়নবীয়ু হায়বগী পাউজেল য়াওরিবা পাউরৌনি। মসিমক্লা ঈ নাই তাবমখৈ থীন্থরো হায়বমক্তি নত্তে। ঐখোয়গী খুন্নাইসিদা লৈবাক্লা শাবা মখল কয়াগী চফূশিংনা কল্লিবা মফমদি শীংথাবগীসু লোইররোই।

নুংশিরবা পাউরৌ অমসু লৈ, ***মরিংনা শাবা শঙবায়দি নাম্মা হাঙবা হৌনদে।*** কাঙলূপকী মিং তোঙান তোঙান লৈজরবসু চীং অমসুং তম্পাক্তা খুন্দামিন্নরিবা য়েলহৌ ফূরুপ খুদিংমক ইমা অমত্তগী মচানি। পাউরৌসিদা য়াওরিবা শঙবায়সিনসু অদুম তাকচরে। মরিংনা শাবনি হায়দুনা ঐখোয় কনানা শীজিন্নদবা ঙমখিব্রা? তম্পাক য়ূমথোঙ খুদিংদা মনীংতম্না ঙান্থোইখিবা শঙবায়নি। পাউরৌসিগী নুংলোন্না মরোল অমা থাক ৱাংবনে, কয়াদা মতিক ময়াই লৈখ্রবনো! শেম্বীবা মপু মহাক্লা তাইবঙ জীব শেম্বদা পী-পা হায়বসি শেম্বীরম্লবনি। মসিদি থম্বু থমখো লাই ফাওবদা লাইনিংথৌ-লাইরেম্বী, লাইনুরা-লাই পাখঙ হায়না লৈরিবনি। শা-ঙা, উচেক-ৱায়া, তীল-কাঙসু অদু মঙায়রে, পুঙবা কায়বা য়াব্রা? থায়না ফৌ ওনবদা শঙবায় অনীনা পোৎমা নৎত্রগা ফৌবোৎ অমা শায়। অসুম্না কুম অমগী কৈদা হৈজিনখিবা ফৌগী চাং হংনবদা অসুম্না হংনৈ- "ফৌবোৎ কয়া হৈজিনখ্রবগে?" লৌ য়ৈবদা থোকপা ফৌথোক্কী চাং হংনবদসু ফৌবোৎ কয়া কারবনো হায়না হংনরম্বসি য়াম্না অঙাং ওইনা থেংনজহৌই। অসিগুম্লবা চপ মান্নবা পোৎপা চাবা শঙবায় অনী থমদবা য়াদবনা মরিং ইপা ইপলশিংনা শঙবায় শাবা মতম চাং চপ মান্নবা পাবোৎওইনা শারম্মী হায়বগী ময়েক লারবা খুদম ওইরিবা পাউরৌনি। ●

# '২৪শুবা দি মোইবুং লোয়শঙ মণিপুরগী ফাউন্দেশন দে'

- সী ঐচ নরেন্দ্র -

মখোল থোকহনবা ঙম্বা পোৎশক্কা মীওইবনা চাওখৎলকপগী মতুংইন্না মখল মথেলসু শীজিন্নবা ওইরকখি। খূৎনা য়ৈরবা মতমদা থোকহনবা ঙম্বা পুঙগুম্বা মখল, তরাগুম্বদা লেল্লগা নৎত্রগা খিংলগা মখোল থোকহনবা, পোৎ অনী য়ৈশিন্নরগা মখোল থোকহনবা, চীননা কাম্বা নৎত্রগা নুংশিৎ শীজিন্নদুনা মখোল থোকহনবা অসিনা ম্যুজিক হায়বা অসি ওইরকখি। হায়রিবা ম্যুজিক অসি নেচরেলগী ওইবা পোৎশিং শা-উচেকশিংগী মঔন অসিনচিংবা কয়াদগী শেমগৎলকখি। অসিগুম্বা ম্যুজিক মখল কয়া অসিনা মাগী-মাগী ফূরুপ অমগী লাইনীং-লাইশোনগা মরী লৈনবা থবক কয়াদা শীজিন্নবা অমা ওইরকখি। মরম অসিনা অসিগুম্বা ম্যুজিক কয়া অসিনা মাগী-মাগী ফূরুপ-কাঙলূপকী মশক তাকপদা চাউনা মতেং ওইরকখি। অদুগুম্বা ম্যুজিক অসিনসু মাগী-মাগী ফূরুপ-কাঙলূপ অদু মশক তাকপদা চাউনা মতেং ওইরি। অসিগুম্বা ম্যুজিক ইন্সত্রুমেন্ট কয়া অসিগী মনুংদগী ৱিন্দ ইন্সত্রুমেন্ট অমা ওইরিবা শ্বর কাম্লগা খোংনরিবশিংগী মনুংদগী মীতৈ ফূরুপ অসিবু মশক তাক্লিবা মোইবুং অসিসু অমনি। তোঙান তোঙানবা ফূরুপ কয়ানা মোইবুং অসি খোংবা তারবসু মীতৈ ফূরুপ্না খোংলিবা অসিগুম্না কনাসু খোংবা ঙমদে। মরম অসিনা মোইবুং খোংবগী ফজরবা শুর ছন্দ অসিনা মালেমদা মোইবুং খোংবা অসিনসু মীতৈ ফূরুপকী মশক তাকপদা চাউনা মতেং ওইরি।

মণিপুরদা হিন্দু লাইনীং চৎলকত্রিঙৈ মতমদগী হৌনা মোইবুং অসি পোকপা-শিবগা মরী লৈনবা থবক থৌরম কয়াদা খোংলম্বগী ৱারী লাইরিক কয়া থেংনজে। অরিবা লাইরিকশিংগী মনুংদা অমা ওইনা লৌরিবা পান্থোইবী খোঙ্গুলদা অসুম্না ইরি "তরেৎ শেনফাং য়ৈনা মোইবুং থিংকামন্না নোই এ" লাই হরাওবগী অনোইরোল তাঙ্কক্তসু মোইবুং পল্লম্বা থেংনরি। চীংমী-তম্মী অনীনা পূন্না খুন্দাবা মণিপুর অসিদা চীংমীশিংদি চীংগী লমশিংদা খুন্দারি অদুগা তম্মীনা তম্পাক্কী ওইবা মফমশিংদা খুন্দারি। তমদা খুন্দারিবা মীতৈ ফূরুপশিংনা মোইবুং অসি লাইগা মরী লৈনবা থবক থৌরমদা শীজিন্নৈ। চীংদা খুন্দারিবা চীংমী ফূরুপ কয়াসু মোইবুংনা লৈতেং ওইদুনা লীক-কোল ওইনা অকে-অমৌগী থবক্তা শীজিন্নরম্বগী খুদমশিং থেংনজে। মরম অসিনা অঙনবা মতমদা মোইবুং অসি মণিপুরদা ফংলম্বা য়াবগী খুদমশিংনি।

হিন্দু ধর্ম্মনা মণিপুরদা চঙলকপগা লোয়ননা অয়ৌবী থাক্তা চাওখৎপা ওইরকপগা মোইবুং অসিগী শীজিন্নফম অসিসু য়াম্না চাওখৎলকখি। হিন্দুগী লাই-তীলগী থবক থৌরমশিংদা মোইবুং খোংবা অমদি পুজাগী ওইনসু মোইবুং অসি য়াওদবা য়াদ্রবা অমা ওইনা মফম কন্দুনা লাক্লি। মীওইবা অমনা পোকপা-শিবগা মরী লৈনবা থবক থৌরম কয়াদা সঙ্কীর্ত্তন অসি চঙদবা য়াদ্রবা লাইনীং লন্বীগা মরী লৈনবা পোৎশক অমা ওইরি। অসিগুম্বা সঙ্কীর্ত্তন অসিদা চঙদবা য়াদ্রবা অমা ওইনা মোইবুং খোংবা অসিগী মফম চাউনা কল্লি। অসিদা নত্তনা করিগুম্বা মী মাঙখিবা/মফম খঙদনা থিবা ফংখিদবা মতমদা মোইবুং খোংদুনা থিবা অসিসু ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা ঙসি ফাওবা চৎনদুনা লাক্লি। শ্রীশ্রীগোবিন্দজি মন্দিরদা অষ্টকাল হায়না মতম খায়দোক্তুনা নুংতিগী ওইবা থৌগল তৌবা মতমদসু মোইবুং খোংবা অমদি পুজাগী ওইনা মোইবুং লেপ্তুনা শরুক য়াদুনা লাক্লি।

সঙ্কীর্ত্তনগী মতমদা মোইবুং খোংবা অমনা মোইবুং অসি নাম্মখক পায়দুনা মোইবুং খোংনরম্মী। যন্ত্র অতৈদগী তোঙানবা অমনা মোইবুং খোংনবা মোইবুং অসি সঙ্কীর্ত্তনগী ওইনা মোইবুং অসিবু থম্নবা মোইবুং ফিদা হায়দুনা মোইবুংগী আশন অমা হান্না অরাংফম্না থাদুনা থল্লমগনি। মোইবুং আশন অসি তাংগ্রা লা লারোন অমগী মথক্তা ফী অঙৌবা অমা থাগনি, হায়রিবা আশন অসিগী মমাঙদা ধুপ-থাওমৈ, হৈরুক-পানা, দক্ষিনা মচা অমা, য়েৎলোমদা লৈ খরা, তুলসি পত্র খরা, ঈশিং দোনা কুশি থমদুনা মোইবুং আশন অসি ওইনৈ। মফম মতমগী মতুংইন্না শুমাং পীকশিল্লকই। অদুনা ধুপ-থাওমৈ অসিদা খুরুম্বা মতমদা খুদোংচাদবা খরদগী লৌথোকপসু য়াওনরে। অদুবু চন্দ্রকীর্তি মহারাজগী মতমদা তেলেম ওজা চাউভলনা মোইবুং জুরা খোংবা হায়বদি অমুক্তা মোইবুং অনী পায়দুনা খোংবা অসি হৌদোকখি। মোইবুং নাম্মা খোংবদগী মোইবুং জুরা খোংবা অসিনা মীয়াম্না পাম্নবা হেনবতা নত্তনা শুর নুংশিবসু হেল্লি। মরম অদুনা ঙসিদি মোইবুং খোংবনা মোইবুং জুরা পায়দুনা খোংবা অসি চৎনরে। মতমগী মতুংইন্না মোইবুংগী সাইজ অচৌবা অমদি জুরা-জুরা পায়দুনা খোংবা অসিদগী মোইবুং আশন অসি তাংগ্রা লা-লারোল অসিনা চন্দবদগী লাতাই অমগী মথক্তা তাংগ্রা অমা থারগা ফীঅঙৌবা অমা মথক্তা থারগা মোইবুংগী মমাঙদা থাগদবা ধুপ-থাওমৈ, হৈরুক-পানা থারগা মোইবুং আশন অসি শেম্নরে। মোইবুং খোংবা মতমদা অতোপ্পা ফূরুপনা খোংবগা মীতৈনা খোংবগা মান্নদে। অনেম্বা ময়ায় ওইবা অৱাংবা শুর পুথোক্তুনা মরোল খৎতুনা খোংবা অসি মীতৈগী অরিবা শৈশক শুর শাংনা-শাংনা চিংদুনা শকপা অমদি খোনলিক হাপ্পগী মতৌ তমদুনা মোইবুংগী মরোল শেম্মী অদুম্না লৌনৈ। মরম অসিনা মণিপুরগী মোইবুং মালেমদা মশক নাইরিবনি। রুসিয়াদা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়া ফেষ্টিবেল ১৯৮৭তা মোইবুং খোংবনা হৌদোকপদা মীয়াম্নাঅঙকপগা লোয়ননা য়াম্না পাম্নখিবা অদু ঙসি ফাওবা শীংথানরি।

মোইবুংদগী থোরকপা মখোল অসি অশেংবা য়াম্না ফবা নেগেটিভ ইনর্জি মাঙহন্দুনা পোজিটিভ ইনর্জি রোমদা পুরকপা ঙম্বা যন্ত্র মখল অমনি। মরম অসিনা মোইবুং অসি খ্বাইদগী ফবা অশেংবা লাইনীংগসু মরী লৈনবা ম্যুজিক ইন্সত্রুমেন্ট অমা ওইনা লৌনরি। থা অসিগী ১৪দা উরিপোক বাচস্পতি লৈকায়দা লৈবা উকল কম্যুনিটি হোলদা 'দি মোইবুং লোয়শঙ মণিপুর' মোইরাংখোম বোকুলমখোং ইম্ফাল ৱেষ্টকী ২৪শুবা ফাউন্দেশন দে পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমি (জে এন এম দি এ)গী দিরেক্টরনা চীফ গেষ্ট ওইনা ফমখি। প্রসিদেন্টকী মফমদা জি মনিহার শর্ম্মা, দি মোইবুং লোয়শঙ, মণিপুরগী প্রসিদেন্টনা ফমখি অমদি গেষ্ট ওফ ওনরগী মফমদা ডা. লাইময়ূম সুভদ্র, এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর, দান্স এন্দ ম্যুজিক দিপার্টমেন্ট এম য়ু অমদি থোকচোম রিতনকুমার, এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর সঙ্কীর্ত্তন দিপার্টমেন্ট এম য়ু সী অনীনা ফম্বীখি।

মোইবুং খোংবা ওইবিরম্বা লাইওইখ্রবা ওজাশিংগী ফোটোদা লৈ কৎতুনা অমদি পীক্লিবা অঙাংনা লৈ কৎলিঙৈ মতম অসিদা মোইবুং খোংদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। মোইবুংগী ওইনা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি এৱার্দ ফংখ্রবা, মণিপুর সাহিত্য পরিষদ এৱার্দসু ফংখ্রবা নাওরোইবম বিনোয় অমদি মোইবুংগী ওইনা অহানবা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি য়ঙ টেলেন্ট এৱার্দ ফংখ্রবা ডা. চকপ্রম নরেন্দ্রদা লেংয়ান অমদি সাইটেশন পীদুনা ইকায়খুম্নবসু উৎখি। ইনভাইটিশিং লক্তগী ডা. চকপ্রম নরেন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা ইন্টেঞ্জিবল কলচরেল হেরিটেজ ওফ হ্যুমেনিটি হায়না য়ুনেস্কোনা শক খঙবীখ্রবা মণিপুরী সঙ্কীর্ত্তন অসিগী মতিক চারবা মহৈ তম্ফম য়ুনিভর্সিটি, একাদেমি অমদি লন্নাই এন জি ওশিং লৈরিবা কয়া অমদি মণিপুরী ক্লাসিকেল জগোয় হায়না ফাওরিবা জগোয় রাস অসিদা য়াওদবা য়াদ্রবা মোইবুং খোংবা অসিগী মফম অসি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিং অসিদা মোইবুং খোংবা অসিগী মফম অমত্তং হাপ্পীরগদি হেন্না ক্বালিটি লৈবা মোইবুংখোংবা থোরক্কনি হায়না থাজবা থন্বীরম্মী অমদি নিংথৌখোংদগী খ্বাইরাকপম ওজা জদুমনিনসু ডা. চকপ্রম নরেন্দ্রগী ৱাফম অসিবু শৌগৎপীরমখি।

মসিগী পাউখুম ওইনা নুমিৎ অসিগী চীফ গেষ্ট ওইবিখিবনা মোইবুং অসিবু মপাল লৈবাক কয়াদা পুদুনা উৎপা ফঙ্কসনশিং হৌদোকপদা মোইবুং খোংবা য়াওহন্নবা কন্না হোৎনৈ অমদি সঙ্গিট নাটকতা হৌদোক্তুনা মোইবুং খোংবসু ক্লাস য়াওনবা ৱাফম হৌদোক্কে হায়না থাজবা থন্বীখি। লোয়ননা সঙ্গিট নাটক একাদেমি এৱার্দসু মোইবুং খোংবা অসি য়াওনবা কন্না হোৎনগনি হায়না ফজরবা ৱাফম কয়া থন্বীরমখি।

ডা. লাইময়ূম সুভদ্রনসু মোইবুংগী লৈরিবা ওজাশিংনা লাইরিক কয়া পুথোকপা তঙাইফদবা লৈ হায়বীখি। ডা. রিতনকুমারনসু ৱার্কশোপকুম্বা শিন্দুনা ময়াম পূন্না খঙবা য়াবা থবক তৌমিন্নসি হায়না ফোঙদোকখি। লোয়ননা কলচরেল প্রোগ্রামগী ওইবা ফজরবা কয়া উৎতুনা লোইশিনখি।

মাগী-মাগী তোঙানবা লাইনীং লাইশোন লৈরবসু হিন্দু ধর্ম্ম চৎচবশিংগী সঙ্কীর্ত্তন অসিনা মীওইবগী লান্না খুভম ফংনবা পাম্বৈ অমা ওইনরি। মসিদা য়াওদবা য়াদ্রবা মোইবুং খোংবা অসি মফম খরদদি য়াওদনা পাঙথোকপা থেংনৈ। মসিনা কলচরদা মাঙজবা কয়া লাক্কনি অফবা খুদম নত্তে হায়না থমজনীংই। অফবা আর্টিষ্ট অমনা মালেম শিনবা থুংনা লমদম অসিসু মশক তাক্তুনা লাক্লি। মহাক্কী হোৎনবগী মফম লৈরক্তবদা আর্টিষ্ট অফবা থোরকপা ৱাগনি। মরম অদুনা সঙ্কীর্ত্তন অমা কৎপা মতমদা মোইবুং খোংবা অসিসু শোয়দনা য়াওগদবনি হায়বা ৱাখল ময়াম পূম্নমক্কী মফমদা লৈহঞ্জনীংই। ●

# লৌহকপাট (জেলগী য়োৎকী থোঙ) - ৬

চারুচন্দ্র চক্রবর্ত্তীনা বংলাদা ইরম্বদগী মৈতৈলোনদা কুমজা ১৯৬৯ দা

## শ্রীশঞ্জেনবম নদীয়াচাঁদ সিংহ, বি এ না

হন্দোক্তুনা ফোঙলম্বা

হন্দোক্লোই অসি এক্স-মেম্বর মণিপুর ষ্টেট দরবার, এক্স-মিনিষ্টর মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল, এক্স-প্রসিদেন্ট মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনচিংবসু ওইরম্মী।

অদুগুম্বা মতম অদুদা ঐখোয়দি ধড়াচুড়া হাপ্তুনা (অফিসকী পোষাক শেত্তুনা) কলম চালাই, হাকাম শাংনা চল্লি অদুগা ফাটক লাক্লবগী শাসন নিয়ম লাউনা চালাই। অদুগী মতুং নুমিৎ য়ুংবা, পুং অমা তাবদা নুমিৎয়ুংবা মতমগী পোত্থায়। অদুগী মতুংদা চাক চারগা তূম্বগী নুংঙাইবা। তূম্বা লোইরগা নুংথিলদা অমুক অফিসতা চৎলি, অদুবু অফিসকী থবক্কী মরমদা কন্না হোৎনবা লৈতে। মফম অদুদা জেলখানাগা বৈঠক খানাগা লেংগোন্নদুনা লৈ হায়বদি জেলগী থবকসু তৌই ৱারী ৱাতায়সু শাই। রিটার্ন রেজিষ্ট্রারগী কুইনাইন পিলগী মথক্তা গ্বা সিগারেট ৱারী ৱাতায় শাবগী সুগায় কোটিং তৌই হায়বদি রিটার্ন রেজিষ্টার শুবগী নুংঙাইতবা অৱাবা অদু গ্বা চাদুনা চুরুট থক্তুনা ৱারী শাদুনা নুংঙাইবনা অৱাবদু কুপশিল্লি। নুংথিলগী অফিস অসি অফিস নত্তে, জে লবাবুশিংগী সন্ধ্যাগী ক্লবনি।

মার্চ্চ থা লোইগদৌরে। য়াম্না নিংথম্বা অদু অফিসিয়ালি ছুটি লৌখ্রে, অদুবু মশা য়াউনা বিদায় তৌদ্রি। য়াম্না নিংতম্বদু সরকারগী চেনুংদগী চৎথোকখিদুনা খৎন-চৈনবা তৌজদবা য়ূম্বানবা মাগী মথক্তা অৱূম্বা ভার পীরুরে। মাগা লোয়নবা অকনবা নুংশিৎ শিৎলি। মখোয় অনীনা পুন্না লান্দারকপদু থিংবা ঙমদদুনা সূর্য্যদেব নোং মরক্তা লোৎখ্রে য়ুম খূদীংদা ঙাকপীয়ু ঙাকপীয়ু হায়বা খোল্লাও তৌনখ্রে।

নুমিৎ য়ুংবগী চাবা লোইদুনা কান্থ অনীগী মথক্তা ভুটীয়া কম্বল অমা নন্দুনা নিদ্রাদেবীগী থোৎখ্রবা মতম্বাক্তা আশ্রম তৌগে হোৎনরিঙৈদা থোঙদা লেপ্লরে ভগ্নদূত (লান্দা মায়থীবগী পাউ পুরকপা দূত)।

"টেলিফোন লাক্লে হুজুর"

থোৎখ্রবা ফমুংগী ফুং ফুং শাবদু তাদুনা লৈহৌরে। টেলিফোন্না অমুক্তং মচীন্না কান্বদা নক্লা লাক্লম্লবা নিদ্রাগী খোয়থুম্নবা মশক অদু পাইখ্রে।

"হ্যালো"

মখোল হৌবা, অরূম্বা অমসুং অঙৌবা মখৌনাউনা খুল্লক্লে-

ডেপ্যুটি কমিশনার ৱা ঙাঙলি।

গুড মর্নিং স্যর আই মিন-

- লুক হিয়ার নখোয়গী 'সেল'দা মী লৈতবা অহাঙবা লৈব্রা? লৈত্রবদি সেল অমা শংদোকউ অদুগা স্পেশাল গার্ড থম্মু।

- হৌজিকমক তৌজগে; স্যর।

- পুং মখায় অমগী মনুংদা আসামী অমা লাক্কনি। নিপাসি অঙাওবনি, dangerous lunatic, গোলমাল য়াম্না তৌরবদি fetters হাপউ। তোঙান্না থম্মু। See, that he does not communicate with any body.

ঐ য়াম্না কিরে। পূক্নীংদা মরম খঙনীংবসু পোক্লে। মপু অচৌবা মশামক্লা অসুপ য়াম্না তফিং তফিং তৌরকপা মী মহাক অদু কয়ামুক অকীবগী মশক ওইবা জীব ওইরমগনি।

পুংখায় অমগী মনুংদা নিপাদু লাক্লে। মখ্বাংদা থৌরী মখূত্তা হাতকাড়। নোংমৈ পায়বা পুলিশ অনী নাক য়েত্তা। অসুপ তমথীনা ঈংখ্রবা অসিদা শেগায়রবা পাজামা অমা নত্তনা মাগী মশাদা ফী অতৈ পল্লমদে। অচৌ অচৌবা চৈফমগী দাগ ফীনা কুপ্তবা মাগী মনঙ্গন, মপান্থোম, মঙকশম অমসুং মশাগী মফম পূম্নমক্তা পোমদুনা লৈ। অদুগী মরক্তগী চৈফম খরদি হকচাঙ হোগায়দুনা মদুদগী তারকপা ঈদু ফমজিন্দুনা লৈরম্মী। মরাইবক্কী মখা থংবা শরূকতু পোমদুনা মমীৎ অমদি মদুনা পুমকুপ কুপখ্রে। মচীনবান মথক্তু পোমদুনা ৱাংখৎখিদুনা মনাতোনগা শম্লখরে।

পুলিশ অনীনা মাগী মখ্বাংগী থৌরীদু লৌথোল্লগা নিপা অদুবু চিং চিংদুনা ঐগী টেবিল ময়াদা লেপহল্লে। শোকত্রিবা মমীৎ অদুনা ঐগী মায়রোমদা মীৎয়েং য়াওদনা শুন্দা য়েংদুনা লৈরি। মসি করম্বা মওংগী ডেঞ্জরস লুনেটিকনো!

ঐনা হায়রম্মী; হাতকড়ি লৌথোকউ।

পুলিশ অনীদু নীংজিং মাঙজীংনরে। মখোয়গী ইন চার্জ চঙশিল্লক্তুনা হায়রকই, য়াম্না শাথীনা ঙাওবনি হুজুর।

- খঙই। হাতকড়াদু লৌথোকউ।

হাতকড়া হেক লৌথোকপগা 'অঙাওবদু' লৈমায়দা দুপ লাউনা ফমথখরে। মাইকৈ অদোমদা অসোমদা কোইয়েং য়েংলগা মখনাউ কংনা হায়রকই, ঈশিং। ঈশিং হেক পুরকপদা ঈশিংগী পাত্রদু মুন্দুনা লৌরগা মনুংশা শ্বর থিংদুনা গড় গড় লাউনা লোইনা থক্লগা তুথখরে। মশা অপূম্বা থক্ থক্ নীক্তুনা মতু খুইজিনখিদুনা কোনাগুম্না তূম্বক তূমখ্রে। অফিসতা থবক তৌবা কয়েদী অদু চেনশিনখিদুনা কম্বল অনী পুরক্তুনা মখোঙদগী মকোক ফাওবা কুপশিনবিরে। মশাদা মখূৎনা নান্দুনা য়েংলগা হায়রকই- মশাসি মৈনা চাকথেক্কদবা মতাগুম তৌরে স্যর।

আসামী অসিবু হাসপাতালদা থাবা তৌদনা সেলদা থাবা তাখ্রে। ডেপুটি কমিশনারগী হুকুমনি। করিগুম্বা অবস্থাদসু য়াথং অদু হিক্তোকপা য়াদে।

থবক য়াম্না পন্দুনা লৈরম্মী। য়ূম হনবদা অহীং খরা থেংখ্রে। ওভারকোট লৌথোক্কে তৌরম্মী। কেটানা হায়রকই, বাবু অমা লাক্তুনা মপানগী কাদা ফল্লি। ঐগী পূক্নিং মকা লামদরে। তমথীবা নিংথম্বা অসিদা করিগুম্বা মওঙ অমা তৌদুনা খূৎ য়েৎ থংবগী থবক লোইথোক্তুনা ডবল কাম্থা অমসুং ভুটিয়া কম্বলগী মাইকৈদা ঐগী পূক্নিং হকচাং ওনশিন্দুনা লৈরবনি। অতিথি লাকপসিদি ঐবু ওৎপনি হায়না খল্লে।

ফমফম কাদা হেক চঙখিবদা ফীরোনগী বাণ্ডিল অমা ৱানা হৌগৎতুনা লেপ্লে অমসুং থুনা ফমথখরে। মাগী মমায়গী শরূক খরদং উবা অদুদগী মহাক্কী জাতি ধর্ম্ম নৎত্রগা দেশকী মরমদা ইঙ্গিত অমতা ফংদ্রে। বয়স ২৬ লা ৫৬লা হায়বসু লেপ্পা ঙমদ্রে।

বাঙলা লোন্না হায়রকই, ঐগী হকচাঙ পুমফম ফমজিনখরে মহাশয়। ফ্রিজিং পয়েন্ট লান্থোকখ্রমালে। চা খরদং পিথকপা ঙম্বীগদ্রা?

কেটাদা চা পুরকউ হায়না হুকুম তৌরগা মঙোন্দা মীৎনা খঙনীংনা ৱা হংদুনা য়েংদুনা লৈরে। লাক্লিবা নিপা অদুনা হায়রকই, ঐ করি মরমগী লাকপনো হায়বা খঙবিনীংবা নৎত্রা? ঐনা লাকপসি থৌনা ফবা মফম চুমদনা লাকপনি। খঙনরক্লবদি ঐ চাকরিগী মরমদা খুদোংথীবা থোকপা য়াই। অদু ওইরবসু লাক্তবা য়াদ্রদুনা লাক্লবনি। ঐগী নুপীদু লেম্না থাগদবা মীতা নত্তে। মদু তোকলো। ধনরাজ কমদৌনা লৈরি অমুক্তা হায়বিয়ু।

- ধনরাজ হায়ববু কনানো?

- ধনরাজ তামাং। সিংটম টি এষ্টেটদগী অঙাওবনি হায়দুনা চালাল তৌরকপদো। নহাকসু হৌজিক ফাওবা উবিদ্রিবরা?

- নহাক্কী পরিচয় খঙজবা য়াগদ্রা?

- য়েংবিয়ু। মরু ওইবা ৱাদি হায়দ্রি। অচুম্বা ৱানি। ঐ অসি কনানো হায়বা নহাক্লা হংদ্রিঙৈদা হান্না হায়হৌবা চুম্বনি। ঐ অসি পুলিশকী সি-আই-ডি ওইবসু য়াই। অচুম্বদি পুলিশ নত্তে; ডাক্তরনি। ঐনা হায়খিবা চা-বাগান অদুদা ঙসি চহী ২২ থা ৭ শুরে চাকরি তৌরকপা। ঐগী ইমীং নিবারণ মজুমদার কৌই। থাজবিদ্রগা অসি য়েংবীয়ু হায়দুনা মহাক্লা মহাক্কী চীংগুম্বা ফী মপৈ অদুগী মনুংদগী ঐনা খঙদবা মফম অমদগী পুক য়েংনবা যন্ত্র পুথোক্তুনা মঙকশমদা য়াল্লে। ● (মখা চৎখজরকখিগনি)

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।